

য়াইরিপোক পুলিসনা য়াইরিপোক কৈথেলগী হেদ ওফিস মনাক্তা হোন্দা এক্টিভা অমদা তোংদুনা লাকপা নুপী অনী কানি কেজি ৫ গা কোন্ননা ফাখিবা

# অর্মী ওফিসর ১৭ কী মথক্তা করপসনগা মরী লৈননা চার্জ তৌখ্রে

জোরহাট, মার্চ ১৬ (এজেন্সী):

লেফটনেন্ট কোলোনেলগী থাক্তা লৈবা অর্মী ওফিসর ৫ য়াওনা পুন্না ওফিসর ১৭ তা শেঞ্জা থুমজাগা মরী লৈননা থাঙ্গৎলকখিবা কেস অমগী মতুং ইন্না ক্রিমিনেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন (সী বি আই) না মফম ৩০ দা থি হুন্বগী থবক চখ্খ্রে হায়রি।

সী বি আইনা করপসনগা মরী লৈননা চার্জ তৌখ্রবা অর্মী ওফিসরশিং অদুদি সার্ভিস সেলেক্সন সেন্তর, কাপুর থালাগী লেফটনেন্ট কোলোনেল সুরেন্দ্র সিংহ; অর্মী এয়র দিফেন্স কোর্পসকী লেফটনেন্ট কোলোনেল এম ভি এস এন এ ভাগবান; সিক্স মাউন্টেন দিভিজন য়ুনিট, বরেলিগী লেফটনেন্ট কোলোনেল ৱাই এস চৌহাননি।

অতোপ্পা সেনিয়র অর্মী ওফিসরশিং অদুদি জোইন্ট দিরেক্টর, দি জি রিক্রুইটিং, ন্যু দেল্লী, লেফটনেন্ট কোলোনেল সুখদেব অরোরা; গ্রুপ টেষ্টিং ওফিসর (জি টি ও), সেলেক্সন সেন্তর সাউথ বেঙ্গলুরুগী লেফটনেন্ট কোলোনেল বিনাই অমসুং জি টি ও, সেলেক্সন সেন্তর নোর্থ, কাপুরথালাগী মেজর ভাবেসকুমারনি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা সী বি আইগী ৱাঙাঙলোয় অমনা ফোঙদোকখিবদা মমাং থাগী ২৮ দা ব্রিগেদিয়র ভি কে পুরোহিটনা অর্মী রিক্রুইটমেন্টকী থবক্তা শেঞ্জা থুমজাগী চাং ৱাংলে হায়না কমপ্লেন তৌরকখ্রবা মতুং সী বি আইনা এফ আই আর রেজিষ্টর তৌদুনা থিগৎপা হৌরকখিবনি।

অর্মীদুনা লৈরিবা লৱার রেঙ্কতগী হায়র রেঙ্ক ফাওবা রিক্রুইটমেন্টকা মরী লৈনবা থবক থৌরমশিংদা শেঞ্জা থুমজাগী থবক পাক শন্না তৌই হায়বা থিজিনখিবা অদুগী মতুং ইন্না খঙবা ঙমখ্রে।

# এগ্রিকলচরেল প্রদক্টশিং প্রামোট তৌনবা কম্মিটি অমা শেমখ্রে

দিমাপুর মার্চ ১৬ (এজেন্সী) :

নাগালেন্দদা পুথোক্লিবা এগ্রিকলচর অমসুং হোর্টিকলচরগী ওইবা পোখোকশিং প্রামোট তৌনবগীদমক মীওই ৭ না শাবা কম্মিটি অমা ঙসি নগালেন্দ গভর্ণমেন্টনা শেমখ্রে।

নৌনা শেমখ্রবা কম্মিটি অসিনা নাগালেন্দদা ফার্ম তৌরিবা মীওইশিংনা পুথোক্লিবা প্রদক্টশিং অতোপ্পা ষ্টেটশিংদা থাদোক্লবা অমদি ফার্ম তৌরিবা মীওইশিংনা পুথোক্লিবা পোখোকশিং লেম্না মাঙহন্দনবগী পান্দমদা কম্মিটি অদু শেমখিবনি হায়না নাগালেন্দ ষ্টেট এগ্রিকলচর মার্কেটিং বোর্দ (এন এস এ এম বি) গী চীফ এগজিক্যুটিভ ওফিসর জি ইনকুটো জুহোমিনা ফোঙদোরক্লি।

কম্মিটি অসিনা মরু ওইনা ফার্মরশিংনা পুথোক্লিবা পোখোকশিং অদুগী ক্বালিটি অমদি য়োল্লিবা মমলগী মতাংদা য়েংশিনগনি। মখোয়না লৌমীশিংদগী পোখোকশিং লৈরগা মপান লমদা য়োনবগী মতাংদসু গভর্ণমেন্ট অমদি বোর্দ অসিদা হকথেংননা রিপোর্ট তৌগদবনি হায়রি।

# পার্টিদগী পোখারবা মতুং ইন্দিপেন্দেন্ট মীরেপ ওইনা চোংথোরকখ্রে

গুৱাহাটি, মার্চ ১৬ (এজেন্সী) :

অসামগী বজালি দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা ভাৱানিপুর কন্সটিট্যুয়েন্সিদা এ আই য়ু দি এফকী হৌজিক হৌজিক সিটিং এম এল এ ওইনা লৈরিবা অব্দুল কলাম অজাদ হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা অসাম এসেমব্লি ইলেক্সনদা পার্টিনা টিকেট পীরকখিদ্রবা মতুং ঙসি মহাক পার্টি অদুদগী তোক্লে হায়না লাউথোকখ্রে।

পার্টিদগী তোক্লে হায়না লাউথোক্লবা মতুং পাউমীশিংগী মমাংদা ৱা ঙাওলদুনা এম এল এ অব্দুল কলাম অজাদনা ফোঙদোকখিবদা পার্টিনা মঙোন্দা টিকেট পীরকখিদবা অদু অঙকপা পোকই। পার্টিদা মহাক্কী মফম লৈত্রবনিনা মহাক রিজাইন তৌরে।

লাক্কদৌরিবা অসাম এসেমব্লি ইলেক্সনদা মহাক ভাৱানিপুর কন্সটিট্যুয়েন্সিদা ইন্দিপেন্দেন্ট মীরেপ ওইনা থোক্লগনি। পার্টিনা মঙোন্দা মতেং পীরক্তবসু কন্সটিট্যুয়েন্সি অদুগী মীয়াম্না মহাকপু থাজবনা মরম ওইরগা পাঙথোক্কদৌরিবা ইলেক্সন অসিদা মহাক্লা চাওনা মায় পাক্কনি।

ভাৱানিপুর কন্সটিট্যুয়েন্সিদা এ আই য়ু দি এফকী ওইনা পার্টি অসিনা ফানি তরুকদারবু মীরেপ ওইনা পুথোক্লি। অমরোমদা অব্দুল কলাম অজাদতা পার্টিনা টিকেট পীরকখিদবা অদুবু অজাদকী সপোর্টরশিংনা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা পার্টিগী মায়োক্তা খোল্লাউ কয়া লাউখি।

এ আই দি য়ু এফকী লুচিংবা বদারুদ্দিন অজমালনা মহাক্কী খূৎচাবী মীওই ফানিবু পার্টি অদুগী টিকেট পীখিবা অদু থোইনা কান্নরোয়। কন্সটিট্যুয়েন্সি অদুদা মহাক নত্তনা অতোপ্পা মীরেপ অমত্তনা মায় পাকপা ঙম্লোই। কন্সটিট্যুয়েন্সি অদুগী মীয়াম্না মহাকপু লাক্কদৌরিবা মীখল অসিদা মীরেপ ওইহন্নিংবগী অপাম্বা ফোঙদোকখ্রবা মতুং ইন্দিপেন্দেন্ট মীরেপ ওইনা মহাক থোরকখিবনি। করিগুম্বা মায় পাক্লবদি মীয়ামগী থাজবা মহাক্না মাঙহল্লোয় হায়না মখা তানা ফোঙদোকখি।

# এ দি সী ইলেক্সনদা কেন্দিদেট ১৮১ না লম্বা তৌনগদৌরি

অগরটালা, মার্চ ১৬ (এজেন্সী) :

ত্রিপুরাদা পাঙথোক্কদৌরিবা ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিলগী মীখলদা পুন্না কেন্দিদেট ১৮১ না লম্বা তৌনগদৌরি। কেন্দিদেট ১৮৫ না ইলেক্সন অসিদা লম্বা তৌনবগীদমক মীরেপ চে পীশিল্লকখি। মদুগী মনুংদা মরিদি রিজেক্ট চৎখিবনি।

তোঙান তোঙানবা পার্টিদগী মীরেপ ওইনা থোরকখিবা কেন্দিদেট ১৮৫ গী মনুংদা ঙরাং পাঙথোকখিবা স্ক্রুটিনিদা কেন্দিদেট ১৮১ দি মীরেপ ওইবদা অয়াবা পীখিবনি। রিজেক্ট চৎখ্রবা মরি অদুদি সী পি আই (এম) গী ১, কোংগ্রেসকী ১ অমসুং জনটা দল (য়ুনাইটেদ) কী ২ নি। এ দি সী ইলেক্সনদা শরুক য়ানবগীদমক বি জে পিদগী কেন্দিদেট ১৪, আই পি এফ টিদগী ১৭, সী পি আই (এম) ২৮, কোংগ্রেস ২৮, আই এন পি টিগী ৫, অতোপ অতোপ্পা পার্টিশিংদগী পুন্না ৩০ অমদি ইন্দিপেন্দেন্ট মীরেপ ৫৯ না ত্রিপুরা এ দি সী মীখলদা মীরেপ ওইনা লম্বা তৌনগদৌরি। ওম্পিনগর এ দি সী কন্সটিট্যুয়েন্সি খক্তদা মীরেপ ওইনবগীদমক কেন্দিদেট ১১ মীরেপ চে পীশিল্লকখি হায়রি।

# ম্যান্মারগী ৱাথোক্তা ইন্দিয়ানা মতেং পাংহন্নিংবগী অপাম্বা ফোঙদোকখ্রে

আইজোল, মার্চ ১৬ (এজেন্সী) :

ম্যান্মার মিলিটরিনা লৈবাক অদুগী ইলেক্তেদ গভর্ণমেন্টপু কু তৌদুনা নমথুরগা অমুক হন্না শক্তি পায়শিনখিবনা মরম ওইরগা লৈবাক অদুদা থোক্লিবা থৌদোকশিংনা মীওই কয়া শিহনখ্রবা মতুং লৈবাক অদুদা অমুক হন্না শান্তি পুরক্লবা হোৎনবদা ইন্দিয়ানা মতেং পাংহন্নিংবগী অপাম্বা মিজোরাম রাজ্য সভাগী মেম্বর কে ভানলাভেনানা ফোঙদোরক্লি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা মিজোরাম নেস্নেল ফ্রন্টকী লুচিংবা ভানলাভেনা ঙসি ন্যু দেল্লীদা লৈবাক অসিগী ভাইস প্রসিদেন্টসু ওইরিবা রাজ্য সভাগী চ্যেরমেন ভেনকয়া নাইদুগা উন্নদুনা ৱারী শান্নখ্রে। ৱারী শান্নখিবা অদুদা এম এন এফকী লুচিংবা অসিনা ম্যান্মার মিলিটরিগী ওৎ নৈবগী চৈথেং খাংবা ঙমদ্রদুনা লৈবাক অসিদা চঙলকখ্রবা রিফ্যুজিশিংবু মতেং পীনবা তকশিনখিবগা লোয়ননা ম্যান্মারদা হান্নগী ফীভম হঞ্জিহল্লক্লবা হোৎনবদা সেন্তরনা থৌদাং লৌহন্নিংবগী অপাম্বসু ফোঙদোকখি।



অমরোমদা ম্যান্মারদগী লৈবাক অসিদা রিফ্যুজি ৪০০ রোম চঙলকখ্রে। হায়রিবা রিফ্যুজিশিং অদু অয়াম্বনা পুলিস পর্সনেল ঙাক্তনি। মীয়ামদা ওনশিল্লগা নোংমৈ কাপ্পনবা পীরকখিবা ওর্দর অদুবু পুলিসশিংনা য়াখিদবদগী ম্যান্মার মিলিটরিনা মখোয়গী মথক্তা ওৎ নৈবা হৌরকখিবনি। মদুগী মতুং মখোয় ম্যান্মার থাদোক্তুনা ইন্তরনেস্নেল বাউন্দরি লানশিন্দুনা লৈবাক অসিদা লাকখিবনি। লৈবাক অসিদা চংজফম লৌদুনা লৈরিবা রিফ্যুজিশিং অমুক হলহনখিবা হায়বসি মখোয়বু ঐখোয়না হাৎপগা চপ মান্নে হায়না ভানলাভেনানা ফোঙদোরক্লি।

# অসাম রাইফলসকী দি আই জি বিগ্রেদিয়র দিগবিজয়না ওর্ফানেজ হোমদা চত্তুনা য়েংশিনখ্রে




আইজোল, মার্চ ১৬ (এজেন্সী) :

আইজোলদা লৈবা থুতাক ননপুইট্টু টিম (টি এন টি) ওর্ফানেজ হোমদা ঙসি অসাম রাইফলসকী দি আই জি ব্রিগেদিয়র দিগবিজয় সিংহনা হকথেংননা চত্তুনা হোম অদুগী ফীভম য়েংশিনখিবগা লোয়ননা অঙাংশিংগা অহাও অথুম চামিন্নদুনা হরাও তয়াম্বা ফোঙদোকখ্রে।

ব্রিগেদিয়র দিগবিজয়গী খোঙচৎ অদুদা বেঙ্গলুরুদা বেজ তৌবা ওন্ট্রপ্রেন্যরশিং অমসুং ডোক্টর গোবিনদরাজু, ডোক্টর মহেস রেদ্দি, ডোক্টর গুরুরাজ, ডোক্টর সিভানা অমসুং ডোক্টর বিক্রম দিগান্তোসু শরুক য়াখি। টি এন টি ওর্ফানেজ হোমদা স্পিসিএল্লি এবল অঙাংশিং য়াওনা পুন্না অঙাং ৫০০ রোম লৈরি। দিগবিজয়গী খোঙচৎ অদুগা মরী লৈননা হোম অদুদা লৈরিবা অঙাংশিংগা ইন্তররেক্সন প্রোগ্রাম অমা হোম অদুগী ইনফ্রাষ্ট্রকচর শেমগৎ শাগৎনবগী মতাংদসু খন্নখি।

ব্রিগেদিয়র দিগবিজয় অমদি মহাক্কী খোঙচত্তা লোয়নখিবশিংনা অঙাংশিংনা চান্ননবা চেঙ, ফিরোল, স্কুল বেগশিং অমদি মাস্কশিং লেম্না য়েন্থোকখি। ঙসি অঙাংশিংগা উন্নদুনা ৱারী শাখিবা অমদি অহাও অথুম চামিন্নখিবা অদু অপেনবা পোকই হায়না বিগ্রেদিয়র দিগবিজয়না ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা অসাম রাইফলসনা লোকেল কম্যুনিটিশিং চাওখৎনবা মতম কয়াগী মমাংদগী হোৎনদুনা লাক্লি। অমদি মখা তানসু হোৎনখিগনি হায়না মখা তাখি।

## CROSSWORD-3726



**ACROSS**
7 Breed of dog (4,7)
8 Concerning teeth (6)
9 Unlucky accident (6)
10 Red wine from Bordeaux (6)
12 Colour of the spectrum (6)
13 Can (3)
14 Cotton fabric (6)
16 Weighing machine (6)
18 Ta (6)
20 Tone of voice (6)
22 Cutting down expenses (11)

**DOWN**
1 Woodwind instrument (4)
2 Northern Ireland (6)
3 Long dagger (8)
4 Baby carriage (4)
5 Failed to perceive (6)
6 Simple percussion instrument (8)
11 Tough (8)
12 Example (8)
15 Set alight (6)
17 Polar region (6)
19 Observed (4)
21 Nearly (4)

**Solution 3725**

| | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| B | U | T | T | E | R | | C | R | E | C | H | E |
| A | | R | | A | | | | A | | R | | A |
| R | U | I | N | G | | M | A | D | N | E | S | S |
| B | | P | | L | | Y | | I | | E | | I |
| E | M | P | R | E | S | S | | A | M | P | L | E |
| R | | E | | | | T | | N | | | | R |
| | | R | E | A | L | I | S | T | I | C | | |
| S | | | | B | | F | | | | A | | H |
| C | O | V | E | Y | | I | G | N | O | B | L | E |
| R | | I | | S | | E | | A | | A | | L |
| A | S | S | U | M | E | D | | V | E | R | D | I |
| W | | I | | A | | | | V | | E | | U |
| L | I | T | T | L | E | | S | Y | S | T | E | M |

SOLUTION ON NEXT ISSUE

## HUEIYEN SUDOKU

### Hueiyen Sudoku-3525

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | | | | | | | |
| 7 | | | 3 | | 4 | 1 | | |
| | | | 1 | 7 | 2 | | 5 | |
| | 4 | 7 | | 2 | | 5 | | |
| | 6 | | 5 | | 1 | | 3 | |
| | | 5 | | 3 | | 9 | 2 | |
| | 9 | | 2 | 4 | 5 | | | |
| | | 1 | 6 | | 3 | | | 8 |
| | | | | | | | | |

### Solution-3524

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 8 | 1 | 6 | 9 | 3 | 5 | 2 | 4 | 7 |
| 5 | 4 | 3 | 1 | 7 | 2 | 8 | 9 | 6 |
| 9 | 2 | 7 | 4 | 8 | 6 | 5 | 3 | 1 |
| 6 | 3 | 4 | 2 | 5 | 7 | 9 | 1 | 8 |
| 1 | 9 | 2 | 8 | 6 | 4 | 3 | 7 | 5 |
| 7 | 8 | 5 | 3 | 9 | 1 | 6 | 2 | 4 |
| 4 | 5 | 1 | 6 | 2 | 3 | 7 | 8 | 9 |
| 2 | 7 | 9 | 5 | 4 | 8 | 1 | 6 | 3 |
| 3 | 6 | 8 | 7 | 1 | 9 | 4 | 5 | 2 |

## EMPLOYMENT NEWS

**Kerala Postal Circle GDS Recruitment 2021:** Kerala Post Office has published recruitment notification for the posts of Gramin Dak Sevaks (GDS) for fill up 1421 Vacancies in the Kerala Circle 2021. The Kerala Post Office GDS 2021 online registration will be open from 8th March to 7th April 2021.
KERALA CIRCLE NOTIFICATION FOR THE POSTS OF GRAMIN DAK SEVAKS CYCLE – III/2020-2021
Name of the Post
Total Vacancies
Gramin Dak Sevaks (GDS)
1421
Vacancy Posts: Branch Post Master, Assistant Branch Postmaster (ABPM), Dak Sevak.
Age Limit:
18 to 40 years as on 8th March 2021
Age Relaxation - 05 years for SC / ST, 03 years for OBC, +10 years for PWD (PH) Category Candidates.
Educational Qualification:
Secondary School Examination pass certificate of 10th standard with passing marks in Mathematics, local language and English (having been studied as compulsory or elective subjects) conducted by any recognized Board of School Education by the Government of India/State Governments/ Union Territories in India shall be a mandatory educational qualification for all approved categories of Gramin Dak Sevaks.
Eligibility:
Compulsory knowledge of Local Language (Malayalam).
Computer Knowledge: The candidate should have computer knowledge and will be required to furnish basic computer training certificate for at least 60 days from a recognized Computer Training Institute. The requirement of basic computer knowledge certificate shall be relaxable in cases where a candidate has studied computer as a subject in Class X or Class XII or higher educational qualification provided the candidate submits a certificate of Class X or Class XII or higher educational qualification in which he/she has studied computer as a subject.
Knowledge of Cycling.
Job Residence: The selected candidates must mandatorily take up his/her residence in the Branch Post Office village within one month after selection but before engagement as Gramin Dak Sevak Branch Postmaster. The candidate shall submit a declaration to this effect in the application. The candidate selected for the post of other than GDS BPM should reside in post village/delivery jurisdiction.
Selection Process:
No Written Test and Interview.
The selection completely based on 10th Standard Marks. No weightage will be given for 12th Marks / Degree or Post Graduate Marks or higher educational qualification.
Only marks obtained in 10th standard of approved Boards aggregated to percentage to the accuracy of 4 decimals will be the criteria for finalizing the selection.
Application Fee: ? 100/- for General (UR) / OBC Category Male Candidates only. The fee should be made through any Head Post Office in Kerala State. For making the payment candidate should inform Registration Number at the PO Counter. There is no fee for all Female and SC and ST Candidates.
How to Apply: Eligible Candidates apply online will have to register himself in the AP Post Portal with the basic details to obtain the Registration Number. The closing date for submission of online registration is 07/04/2021. Only one Registration is allowed for one candidate. The same registration number should be used for submission of applications during the cycle to any of the circles. Mobile number mapping is mandatory for Registration.

**UP Police SI Recruitment 2021:** Uttar Pradesh Police Recruitment and Promotion Board (UPPRB / UPPBPB) Lucknow has published recruitment notification for the post of Sub Inspector for filling up total 9534 vacancies. The online registration process will be start from 1st April 2021 to 30th April 2021.
Name of Post
Total Vacancies
Sub Inspector (SI)
9027
Platoon Commander PAC / SI Armed Police (Male)
484
Fire Service Second Officer (Male)
23
Age Limit:
21 to 28 years as 1st July 2021.
Born on or after 01/07/1993 and on or before 01/07/2000.
Age Relaxation as per Uttar Pradesh Government Rules.
Pay Scale: Rs 9300 – 34800 + Grade Pay Rs 4200/-
Educational Qualifications:
Bachelor's Degree in any discipline from a recognized university / Institute.
Selection Process:
Examination (Online Mode)
Physical Standard Test (PST) / Physical Efficiency Test (PET)
Final List
Medical Examination
UP Police SI Exam Pattern:
General Hindi - 100 Marks
GK/ Constitution/ Mool Vidhi - 100 Marks
Numerical and Mental Ability - 100 Marks
Mental Aptitude Test/ Logical Exam - 100 Marks
Application Fee:
Rs 400/- only..
The fee can be made through online payment mode.
How to Apply: Eligible Interested candidates should apply online only @ uppbpb.gov.in. Apply online from 1st April 2021 to 30th April 2021.

**HPCL Charted Accountant 2021:** Hindustan Petroleum Corporation Limited (HPCL) invites talented and motivated Indian Nationals for exciting career opportunities of Chartered Accountant for fill up 25 vacancies. The last date for registration of online applications is 31st March 2021.
Name of the Post
No of Vacancies
Chartered Accountant
25
Age Limit:
Pay Scale: E2 Grade, ? 50000 – 160000/- (CTC ? 15.17 Lakhs)
Educational Qualifications:
Qualified Chartered Accountant (CA) from Institute of Chartered Accountants of India (ICAI) with at least 50% marks.
?? Candidates applying for the post should be in possession of CA professional qualification completed in all respect at the time of applying for the post including completion of mandatory Articleship Training required for award of CA qualification.
Candidates would also be required to produce Certificate of Membership of Institute of Chartered Accountants of India.
Selection Process: The selection process may comprise of various shortlisting tools like shortlisting basis CA Marks, Group Task, Personal Interview etc.
Application Fee:
A Non-Refundable Amount of ? 1180/- + payment gateway charges if any (Application fee of ? 1000/-+ GST @ 18% i.e. ? 180/-+ payment gateway charges if applicable).
Payment Mode: Debit / Credit card/UPI/Net Banking: On paying application fee online.
How to Apply: Eligible Interested candidates apply online only through Hindustan Petroleum official website. The last date for registration of online applications is 31/03/2021 till 23:59 Hours.

